# *রানী গাইদিনল্যু* - য়েন্নিংথাদা খোঙদোইরকপী নুংওনথাদা হনখিবী মণিপুর ইমাগী থৌনা ফবী মমোল্লোই

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

হো য়েন্নিংথা, হো ফাইরেনথা ওন্থোক্লা নুংওল্লিদকো! হঙ্গাম মপান, চিঙ্খাও মপান, চুম্ব্রে মপান, নোবাব মপান, হৈনৌ মপান, হৈখা মপান, মালহৈ মপান - শীংথাবৈ লোইনাইদে। য়েন্নিং হুনবৈ হুনবা ঙাক্তা, হৈপাল লৈপাল ঙম্নমক। লৈচিল মানা ঙাওগেনা ঙাওরদবু কৈদৌননি, থাজদবা উনখানসু য়ৈরকসনু য়েন্নিংথানি য়েন্নিংথা। মসিদবু কনাগী পূক্নিং-ৱাখল-থম্মোয়নো নুংওল্লোইদবা, য়েন্নিং হুল্লোইদবা! অশীৎ অৱান্থা ফনমক ওইদুনসু য়েংলু য়েংলুবা খুদিংমক্তা ইনৌতা নৌবা, ইফদ-ফজবা, পঙনুংতা নুংশিবা থানি। মীচং মীখায় নাইদবী নুংওনথানি, থীবা ফজবা মথৌ তাদে। মানা থেংলমদবা, লক্করমদবা কনাবু য়াওবগে? মাগী হৈনম লৈনমদি থম্মোয় খুদিং শীনবা থুংনা য়েনবীবনি। হৌজিক্তবু মতম অমগী ৱারী ওইরবৈ ৱানি। ঐখোয়না লৈশাবী মচা ফাবোই-ফাদবোই, লৈশাবী ঙাইঙমদবীগী মতাং য়ৌরকপদা য়েন্নিংথানা পীরকখিবা ঈথিলদুদি অঙকপীনি তমদুনকা থাজ রোই। কনাগুন্বী কনাগুন্বগী লুহোংফমদা পানখৎপা লৈজবী থাদুনা ৱাংলবা ৱাতোন্দা থেৎপা মহাক্কী নুংশি নুংশিরবা ঈশৈ কয়া ফাইরেন থাগী অঙাওবা নুংশিৎনা নাপসিদা থেংহল্লকপদা থম্মোয়সু, পূক্নিংসু, ৱাখলসু মথুম-মরাঙ হৌহনখিবা মিৎকুপ কয়াদুবু মীনম্বনি হায়রুবা য়ারিব্রা? ***নুজা শাইনোল্লক্তগী লৈরাং নাচোম হুরুগে/ওইদা পায়বা সনাবুল তাউহল্লুগে ঈয়াইদা।/লক্করুগে ঙসিদি হো লক্করুগে ঙসিদি*** হায়বা লমদমসিগী শক্লাইরবা শৈশকপা অহৈবম বুদ্ধচন্দ্রগী ঈশৈকাদো তাবৈ পেন্নাইদবনি। মহৈ লোইশঙ পূন্নমক্তা ফাইরেনগী মঙানি পানবদা মহৈগী লাইরেন্বীবু ঈরাৎ থৌনিজবা মতম অমগী ৱারীনি। নুমিৎতুদা শান্নবা শুমাঙ কুম্মৈশিং, নুমিদাংৱাইরমদা চীং কাবা, মীসু-লাইসু মানসু মালহৌনবা হায়বদুমক্লি। হৌজিক মতমগী ভেলেন্টাইন দে, ভেলেন্টাইন ৱীক, রোজ দে, চোক্লেট দেগা হায়শারিশিংসে হায়শারিবা হায়দুনি, ঐ ঐগী মতম নত্তবনরা খঙদে তাবদা মশেন মরাংই, মীতৌ তম্বদা পেঞ্জবা ওইনা হেক তৌরদনা। য়েন্নীংথাগী খোইথুম্নরবা মহাউসে মীরায়বীরক্লব্রা?

অসিগুম্বা নুংশিবনা য়োম্লবা নুংওনবনা থল্লবা ফজবনা লৈতেং ওইরবা য়েন্নিংথানা মশামক্কী থোঙজিন্দা লেপ্পরবসু মরৈবাক খুন্নাইগীদমক হোৎনবনা পূন্নমক্তগী অথোইবনি খন্না খঙশিন-উশিন্নদনা লেনখিবা পুন্সি কয়া অমসু মালেমসিদা পোকখি। মণিপুর ইমাগীসু লৈরম্মী মমোল্লোই অমা। মহাক থৌনা ফবী, ইচঙ থৌবী, অখাঙ কনবী, মরৈবাক খুন্নাইগীদমক কখোকখিবী রাণী মিংথোন ফংখ্রবী মণিপুরী নিংঙোল গাইদিনল্যুনি। মণিপুরী থাজৎকী ফাইরেন থা থানিল য়ৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা তাইবঙদা খোঙদারকখি। লোথোনাং অমদি করোটলিনল্যু অনীগী অহুমশুবী মমোমনি। পামৈ শাগৈগী অরংবা থৱান্মীচাক ওইখিবী রাণী গাইদিনল্যুগী পোকফম শাৎফমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নুংকাও/ লোংকাও খুন্দনি। থৌনা ফবা, নিংখিবদা হন্দবা, অফা-অপূন্নবা খুন্নাইগী চৎনবীবু শিংনবা, খেন্নবা মীৎয়েং য়াদবা, লুচিংবী অমা ওইবগী মগুন পূন্নমক অসি অদুম্মক য়াওদুনা লাকখি হায়। শক্লাইরবা হিষ্টরিয়ান গাংমুমৈ কামৈনা থন্বীরম্বা ৱাফম মতুংইন্না কবি অমা ওইবগা লোয়ননা শৈশকপী অমসু ওইরম্মী। অপোকপা অপোকপীনদি থাজ খি, মচিন-মনাওশিংদগী তোপ তোপ্পবী মচানুপী গাইদিনল্যু মাইবী অমা ওইরক্কনি হায়না। লৈশা মপূং ফাদ্রিঙৈ কাম্বিরোন্দা চৎখি। মরৈবাক খুন্নাইগীদমক নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনরুবগীদমক বৃটিশ লৈঙাক্লা ঙক্তা থৌরী কোঙ্গোই হক্তুনা হাৎপগী চৈরাক পীখিবা লুচিংবা জাদোনাংনা মাবু শকখঙবীখি। মহাক্কী থৌনা লিংজেল, থবক্তা পূক্নিং লূপ্পা, অমকপা য়াওদ্রবা তরু তরুবা পূক্নিং ৱাখল পূন্নমকসিনা মরম ওইদুনা জাদোনাংনা খ্বাইদগী থাজবা তুংইনবী য়াওল্লোই অমা ওইরকখি। মহাক্কী পোক্লফম নুংকাও খুন্দা ***তরং কাই*** লাইশঙ শাখি। নুংকাউ অমদি কাম্বীরোন খুন অনীমক্তা মহাক্কী মতিক ময়াই অসুম অসুম শাফোঙলকখি।

মশাগী নাৎ-কলচর, লাইনীং-লাইচৎ য়োকখৎনবা অমদি বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা লান্থেংনবগী খোঙফম চেৎনা লেপ্লিঙৈ মথোৎ কারকপগী পুন্সি তাঙ্কক লান্থোকখ্রে হায়বমক য়াই। চহী তরাতরেৎকী নৌজরিবী নিংঙোলনি। জাদোনাংনা বৃটিশকী মখূৎ চনখিবগা লোয়ননা শিবগী চৈরাক পীখ্রে। মপী-মপা লৈত্রে হায়দুনা গাইদিনল্যু নীংহন্নখিব্রা, নীংহন্নখিদে। অহোয়নদুম থৌনা হেনগৎখি। লৈমা লিন্থোইঙম্বী পোকখিবী মণিপুরনি। গাইদিনল্যুনা শেমগৎচবা য়াওল লান্মীশিংগী লুচিংবী ওইদুনা মীরম লৈঙাক্কী মায়োক্তা থৌনা ফনা লান্থেংনখিবনি। তমেংলোং, অসাম, ইম্ফাল অমদি কছার তম্পাক্তা খুন্দাবা জেলিয়াংরোং পূন্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা য়েক্লবগী মায়োক্তা লাঞ্জং চঙশিন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখি। মহাক্কী লাঞ্জংনা নোংচুপ থংবা তমেংলোং, নাগা চীংশাং, অৱাং থংবা কছার চীংশাং য়ৌনা শন্দোকখ্রে। বৃটিশ লান্মীনা পায়বা নোংমৈ বোম তোপকা চাংদম্নবদা নোপ্পবা থাঙ-তাগী খূৎলায় পায়জরবসু মহাক অমদি মহাক্কী লান্মীশিংগী থৌনা শীংথানীংঙাইনি, বৃটিশ লৈঙাক্তো থৌশাদনা লৈথোকপা ঙমখিদে। মহাকপু ফাবা ঙম্বা নৎত্রগা মহাক্কী মরমদা পাউ পীবা ঙম্বা মীওইদা অহানবদা লুপা চনী অদুবু মতুংদা লুপা চামঙা মনা ওইনা পীগনি হায়না লাউথোকখি। মাবু ফাননবা কোয়তান তান্নখি। মীয়াম্না নুংশিবীবা অমদি মাগী ঈহৌবু শৌগৎপা মরম্না দিলেনল্যু হায়না মিং ওন্থোক্লগা শক লোত্তুনা লৈখিবগী ৱাফম অখঙ অহৈশিংনা থন্বীরম্মী। কন-থৌরবা, হৈ-শিংলবা বৃটিশনি, থৌনা ফবী নিংঙোলদো মখোয়গী খূত্তা তাখি। ওক্টোবর ১৭, ১৯৩২, মেরা থাগী সনারৈনা পুমঙান ঙান্না শাৎলকপা মতম শোয়দনা ওইরমগনি। তনৌরবী খূদাংদুদা য়োৎহ্লিং ফলাং চল্লমগদবা মতৌদো মীত্তা শং-শং উরকই। তারক্কনু য়াদ্রবা লোন্থোক্তবী পিরাংসে, নুংহিক্করক্লিবা থম্মোয়সে করি করম্বা ৱাহৈনা থেমজিনসিগে খঙদে। পোলিটিকেল এজেন্টকী কোর্টতা মাগী ৱায়েল চথখি। তৌগেতা ঙম্বা অঙম্বনি, লৈঙাক চুপ্পি পায়বশিংনা নীংখ্রবদা থিংবীনবা কনাগী মতিকনো! কুমজা ১৯৩৩দগী হৌরগা চহী তরামরি চূপ্পা মিয়াৎ তাহনখি। গৌহাটি, শিলোং, আইজোল অমদি তুরা জেলদা থমখি। য়েন্নিংথা কয়া অমা চৎখি, কয়া অমসু লাকখি। নুংশি-নুংওনথাগী শরুক্তো মথোৎ কারক্লিবী গাইদিনল্যুগী শরুক থুংবীখিদ্রব্রা? লৈবাক অসিনা ১৯৪৭তা নীং-খাতম্বা ফংলবদা গাইদিনল্যুসু চেক্লা পল্লোন খাজিল্লবা কৈশুমশঙদগী নীং-তম্বা ফংজখি। মহাক্কী পুন্সি থবক মথৌনা মরিংজেল অদুবু মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা ইকায়খুম্নদবা ঙমখিদে। ***রাণী*** মিংথোল পীখি। মসিনসু লোইখিদে, মথং মথং ***পদ্ম ভুষন, তাম্র পত্র*** পীখ্রবনি। পূন্নমকসে লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা চঙশিনখিবা মাগী ঈহৌ অদুবু ইকায়খুম্নবনি। পেঞ্জদবদি য়েন্নিংথাগী নুংশিবা মপাউ য়ৌরকপা মতম ফেব্রুৱারীগী ১৯৯৩দা অমুক তাইবঙপান্দগী হনখিবসিনি। ●

# লোর্দ বেদন পাউৱেল অমসুং স্কাউটকী ঈহৌ

- এল তোনদোন -

মালেমদা স্কাউট (Scout) কী ঈহৌ হৌদোক্লম্বা নুপা অদুগী মমিং Lord Robert Stephenson Smyth Baden Powell কৌই। মহাক কুমজা ১৮৫৭কী ফেব্রুৱারী ২২দা 6 Stanhope Street, London দা পোকই। মহাক্কী অপোকপগী মমিংনা Rev, Professor Baden Powell কৌই। মহাক্কী মচিন মনাও ১০ লৈ। মহাক্লা মহাক্কী মপাগী নিপানশুবা মচানি অমসুং মহাক্লা তরুকশুবা মচানুপানি। Baden Powell না মশাগী চহী ৩ লোম শুবদা মহাক্কী মপা শিখি। মহাক্কী মমানা মাবু চাউনবা য়োকপীরকই। কুমজা ১৮৭০দা মহাক্কী মশাগী চহী ২২শুবদা Chaterhouse তা লাইরিক তম্নবা চৎলি। Baden Powell অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মশা-মউ ফবা, শান্ন-খোৎনবদা মমিং চৎপা নুপামচা অমা ওইরকই। মহাক ফুটবোল, ঙা ফাবা, ঈশৈ শকপা, লাই য়েকপা, দ্রামা, শা-তানবা, শা-উচেকশিংগী মরমদা নৈনবা, Sketching Maps, থৌনা ফবগী থবকশিংদা শরুক য়ারকই।

Baden Powell কুমজা ১৮৭৬তা Graduate লোইদুনা বৃটিশ আর্মিগী 13th Hussar Regt. দা Sub-Lt. গী রেঙ্কতা কম্মিসন ওফিসর অমা ওইনা চঙখি। মতম খরগী মতুংদা ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী লক্ষনৌদা লাকখি। কুমজা ১৮৮৭তা Baden Powell না স্কাউটকী লাইরিক "Aid to Scouting" ইবা হৌখি। বি পি আর্মি ওফিসর অমা ওইনা ঐখোয়গী ইন্দিয়া, অফঘানিষ্টান অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী জুলু লেন্দদা জুলু লালহৌবশিংবু নমথনবা বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা থারমই। মফম অদুদা মহাক আর্মি মেজর ওইনা থবক তৌই।

জুলুগী লালদা Baden Powell না মথৌনা অমসুং হৈ-শিংবগা লোয়ননা জুলুশিংগী লালহৌবা মকোক Deni Zulu বু য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা ফারমই। Baden Powell না দেনি জুলুগী মথৌনা অমসুং হৈ-শিংবা অদু উবদা থাগৎখি। মতাং অসিদা দেনি জুলুগী মখূৎ য়েৎকা Baden Powell গী মখূৎ ওইগা খূৎ শোক্লখি (Handshake) । দেনি জুলুনা হংখি করিগীনো ঐগী খূৎ য়েৎকা নহাক্কী নখূৎ ওইগা খূৎ শোক্লরিবা? Baden Powell না খুমখি, য়াম্না থাজনবা, নুংশিনবা, নকশিন্নবা অমসুং মরুপ-মপাং (Heartily) দা তৌবনি হায়খি। Baden Powell না জুলু লালহৌবশিংবু মপূং ফানা নমথবা ঙমখি। কুমজা ১৮৯৭তা মহাক্লা 3rd Dragoon Guards Regt. কী কম্মান্দিং ওফিসর ওইখি। মতম অদুদা 'Aid to Scouting' হায়বা স্কাউটকী লাইরিক ইবা লোইখি। কুমজা ১৮৯৯দা Baden Powell না ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী জবলপুরদা অনীরকশুবা ওইনা লাকখি অমসুং মফম অদুগী লমিৎ-তুমিৎ কয়া য়েংখি।

কুমজা ১৮৯৯দা সাউথ অফ্রিকাগী Boar War দা Baden Powell না Mafeking সহরবু নুপামচাশিংগী মতেংদগী কনবা ঙমখি। লাল অদুদা মীওইবগী অশোক-অনাশিং,



চান-থক্লবা য়ূমশিং মৈনা চাকপা অমসুং খুদোংথীবা কয়াদগী নুপামচাশিংনা কনখি। নুপামচাশিংবু লালদা মখোয়গী লালগী ঈ-পাউ পুথোক পুশিনগী থবক্তা শীজিন্নরমই অমসুং মখোয়গী মতেং য়াম্না ফংখি। লাল লোইরবা মতুংদা Baden Powell Colonel গী রেঙ্ক ফংখি। কুমজা ১৯০০দা Aids to Scouting কৌবা লাইরিক লন্দন্দা ফোঙখি। Baden Powell মতম খরগী মতুংদা মেজর জেনরেলগী রেঙ্ক ফংখি। কুমজা ১৯০১দা বি পিনা বৃটিশ আর্মিগী Inspector General for Cavalry ওইখি। কুমজা ১৯০৩দা Baden Powell না মহাক্কী ময়ূম লন্দন্দা হনখি।

লন্দন্দা মহাক্লা নুপামচাশিংবু খোমজিন্দুনা স্কাউট ওইননবগী ৱারী কয়া লীবা হৌখি। মতম খরগী মতুংদা বি পিনা Lt. General গী রেঙ্ক ফংখি। কুমজা ১৯০৭কী জুলাই ২৯দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা স্কাউটকী অহানবা চাংয়েং কেম্প ওইনা নুপামচা ২০গা লোয়ননা Brownsea Island দা কেম্প পাঙথোকখি। কেম্প অসিদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা মালেমগী মফমশিংদা স্কাউটিং মুভমেন্ট অসি শন্দোকপা হৌরকখি। কুমজা ১৯০৮দা স্কাউটিং ফোর বোইজ কৌবা লাইরিক ফোঙখি অমসুং মীয়ামদা পাহনখি। স্কাউট মুভমেন্ট অসি লৈবাক অমদগী লৈবাক অমদা শন্দোরকখি। Baden Powell গী মচননুপী Agnes Baden Powell না স্কাউটিং মুভমেন্টদা মতেং পাংখি। মতম খরগী মতুং কুমজা ১৯১০দা Agnes Baden Powell না গর্লস গাইদ মুভমেন্ট হৌদোকখি। কুমজা ১৯১২দা Baden Powell না Mrs. Olave Soames লুহোংদুনা লৌখি। Olave Soames সু স্কাউটিং মুভমেন্টদা মতেং পাংখি অমসুং গর্লস গাইদস মুভমেন্টপু মপূং ফানবা শেমগৎপদা শরুক য়াখি। কুমজা ১৯১৬তা Baden Powell না Wolf Cub Handbook কৌবা লাইরিক ফোঙখি। কুমজা ১৯১৮দা Rover Scout হৌরকই। কুমজা ১৯১৯দা ইংলেন্দগী Gilwell Park অসি মালেমগী স্কাউট ত্রেনিং সেন্টর ওইননবা Mr. W.F. de Bois Macloren Baden Powell দা খুদোল তৌখি। মদুদগী হৌদুনা Gilwell Park মফম অসি ইন্টরনেসনল স্কাউট ত্রেনিং সেন্টর ওইখিবনি।

কুমজা ১৯২০দা স্কাউটকী Camp "International Jamboree" Olympia দা পাঙথোকখি। Baden Powell মশামকপু "Chief Scouts of the World" হায়না Scouters শিংনা হরাও নুংঙাইবগা লোয়ননা লাউথোকখি। কেনাদা লৈবাক্তা মালেম পূন্নমক্কী ওইনা স্কাউট ওফিস অমা লিংখৎখি। কুমজা ১৯২১দা Baden Powell মশামক চীফ স্কাউট ওইনা ঐখোয়গী ইন্দিয়াদা য়েংবা লাকখি অমসুং India Boyscouts Association বু শক খঙবীখি।

কুমজা ১৯২২দা স্কাউটকী লাইরিক Rovering to success ফোঙখি অমসুং Gilwell Park পু স্কাউটকী ইন্টরনেসনল ত্রেনিং সেন্টরনি হায়না লাউথোকখি। কুমজা ১৯২৪গী Copenhagen দা চহী মখায়গী তৌখিবা অপূনবা স্কাউটকী মীটিংদা স্কাউটিং মুভমেন্ট অসি মালেমগী মুভমেন্টনি হায়না লাউথোকখি।

কুমজা ১৯২৫দা Handicapped স্কাউট হৌদোকখি। কুমজা ১৯২৯দা অহুমশুবা International Jamboree [Camp] England গী Arrowe Park তা পাঙথোকখি লোয়ননা স্কাউটিং ফোর বোইজ কৌবা লাইরিক ফোঙখি। ইংলেন্দগী নিংথৌ George-V না Baden Powell গী মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা নহারোলশিংবু শেমগৎপা অমসুং অফবা সিটিজন অমা ওইনবা শেমগৎপা অসি উরুবদা "Lord Baden Powell of Gilwell" হায়বা উপাধি পীখি। কুমজা ১৯৩১দা অহানবা মালেমগী ওইবা World Rover (Scout) Meet Switzerland গী Kandersteg দা ফমখি। কুমজা ১৯৩৭তা Baden Powell না অহানবা ওল ইন্দিয়া জম্বোরী দেল্লিদা তৌখিবদা য়েংবা লাকখি। কুমজা ১৯৩৮দা Baden Powell না অফ্রিকাগী কেনিয়াদা লৈননবগীদমক্তা ইংলেন্দ থাদোক্তুনা চৎখি।

অৱাবনি, মালেমগী স্কাউটরস অমসুং নহারোলশিংবু থাদোক্তুনা Baden Powell কুমজা ১৯৪১গী জন্যুৱারী ৮দা অফ্রিকাগী কেনিয়াদা অরোইবা য়াহিপ তানখি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# 'ৱাইশেলগী ঈশিং ঈরম নোং তারক্ত্রিঙৈদা অমোৎ অকায় অমদি অপূম অশাশিং লৌথোক্তুনা শেংদোকপগী থবক চথরি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস): ৱাইশেলগী ঈশিং ঈরম নোং তারক্ত্রিঙৈদা অমোৎ অকায় অমদি অপূম অশাশিং লৌথোক্তুনা শেংদোকপগী থবক কন্না চথরি। ঈশিংগী ঈচেলশিং থিংলিবা মফমশিং শেংদোক্তুনা নোং তারকপা মতমদা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা য়ূম-কৈ অমদি ইঙ্খোল কয়া ঈশিং থুমহন্দনবা ৱাইশেল মরীল শেমগৎপা লূপ অমদি কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ লাংপোকলাকপম জয়েন্তনা অরৈ অরৈবা পোৎ চৈ পুথোক্তুনা হোৎনরি হায়না ৱাইশেল মরীল শেমগৎপা লূপকী সেক্রেটরি জেনরেল নাওরেম দেবাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা ফেব্রুৱারী অমদগী হৌরগা ঙসি ফাওবসিদা কৈশামথোং এ সীগী অয়াম্বা শরুকশিং হায়বদি ৱার্দ নম্বর ৯, ৱার্দ নম্বর ১১ অমসুং ৱার্দ নম্বর ১২ মপূং ফানা লোইরক্লবা মতুং হৌজিক এ সী অসিগী অমত্তা ঙাইরবা ৱার্দ নম্বর ১৩ ঙানপ্পী থোংগী হেক খা থংবদা লৈরিবা মোইরাং পুরেল লৈকায়দগী হৌরগা নুমিৎ নীনি হুমনিগী মনুংদা শোয়দনা লোইরগনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৩ অমসুং ১৬তা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টকী অখন্নবা এঞ্জিনিয়রশিংগা এম এল এ এল জয়েন্তকুমারগী মীওইশিংগা লোয়ননা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ৱাইশেল লূপকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম মঙলেমতোম্বা অমদি এদিসনেল সেক্রেটরি শগোলশেম মুনাল য়াওনা কোদোমপোকপীদা লৈরিবা ৱাইশেলগী ঈচেলবু চপ চানা থিংলিবা সত্রশিং লোয়ননা কদাই কদাইদা ঈচেল থিংলিবগে হায়বদু কূপ্পা খন্নদুনা মখা তাবা থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎনবা হোৎনরক্লি।

অকোনবদা চৎপা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদি অদুক্কী মতিক মহয় য়ানবা খোঙচৎ অমা ওইখি। খোঙচৎ অদুদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মীহুৎ অমনা শারম্বনি হায়বা সত্রগুন্নবা পল (দামগুম্বা) অমনা লৈবাক ঙাক্তনা ঈরম অদু থিংজিল্লগা শুপ্নতগী ফুট অমরোমখক পাক্লবা ঈচেল অমা চেন্দুনা লৈহৌই। লোয়ননা লৈরাই অমদগী অতোপ্পা লৈরাই অমনা খোঙনা কানবা য়াবগী ফীভমদা লৈহৌই। অসিগুম্বা মওং মতৌদুদা চৎমিন্নরিবা এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অদু অদুক্কী মতিক নুংঙাইতবা ফাওদুনা ফোটো নমদুনা ফীভম অসি অথুবা মতমদা থবক পায়খৎলগনি হায়নসু ফোঙদোক্লমখি।

পনবা য়াবা ৱাফম অমনা, মতম খরগী মমাঙদা লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঐসু ৱাইশেল মরীল অসি ফজনা খঙই। মতম অমদা আই এফ সী দি পায়দুনা মিনিষ্টরসু ওইরম্মী। অদুনা ৱাইশেল মরীলগী ঈশিং ঈরমসি ফজনা অমুক্তং শেমনীংই হায়নসু ফোঙদোকপীখ্রবনি। মদুগী মথক্তগা ৱাইশেল মরীল শেমগৎ শাগৎ লূপ অসিসু সী এমগী সেক্রেটরিএটনা শকখঙবগী চেরোল অদু লূপ অসিদা থারক্লে। ফীভমসি লৈবনা মাইনর এরিগেসন দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়রশিংনা হন্দক থেঙ্খাং অনীরক চৎতুনা ঈশিংগী ঈচেল থিংলিবশিংবু পূন্না চৎতুনা য়েংমিন্নবসি লূপসিনা থবক ওইনা শোয়দনা নোং তারক্ত্রিঙৈদা পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। থবক অসিবু নীংথিনা পায়খৎলক্লবদি নোংজু থাগী মতমদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনগদবদগী কনবা ঙম্বগা লোয়ননা ঈচাও থোক্তুনা মীয়ামগী লন থুম মাঙহন তাকহনগদবদগী কনবা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

কৈশামথোং এ সীদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৮দগী ৱাইশেল ঈরমসিগী ম্যেন ষ্ট্রিম ওইরিবা থৌদা ভাবক লৈকায়গী নাক য়েৎতা লৈরিবা মীয়ামনা শ্বর হোনবদা অপুম অশাগী নমথীরবা মনমনা লেপ্তুনা শ্বর হোন্নরম্বা অদু হৌজিক ফখিদুনা অশেংবা নুংশিৎনা শ্বর হোনবা ফংখিবা অসি অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# 'মরী লৈনদনা লৌনবা হোৎনরে'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস): কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা কবুইগী মীং শীজিন্নদুনা এন্যুএল ষ্টেট লেভেল গান ঙাই ফেষ্টিবেলগী মণিপুর লৈঙাক্লা চহীগী ওইনা ফেষ্টিবেল অসিগী পীরিবা গ্রান্ট ইন এইদ অসি মরী লৈনদনা লৌনবা হোৎনরে হায়না তোঙান তোঙানবা খুল কয়াগী লুচিংবশিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা খুন্দারিবা কবুই জাতি খুদিংমক্লা সপোর্ট তৌদবা মীওই খরনা শেম্বা কবুই য়ুনিয়ন মণিপুর অসি মণিপুরগী মফম খুদিংদা খুন খুন ওইনা খুন্দারিবা কবুই ফুরুপনা সপোর্ট তৌদে। কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা নুংশি চান্নবা খুন্দামিন্নরিবা তশেং তশেংবা কবুই মশেলবু নুংশিনদনবা শিনবনি। ইন্দিজিনস রিলিজন (টি আর সী) লাইনীং চৎলিবা কাঙবুনা কবুই ফুরুপ্পু মুখৎনবা হোৎনরে হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI**

**Ref :- Mut. Case No. 211/SDC/KBI Dated 22/02/2021**

Thiyam Jadumani Singh S/o (L) Th. Gopal Singh of Kwakeithel Moirang Purel Leikai, Imphal. *-Petitioner*

-Vrs-

Thiyam Gopal Singh S/o (L) Th. Tollumu Singh of Kwakeithel Moirang-purel Leikai, Imphal. *-O.P. Pattadar*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kumbi, 22nd Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩৪ - কুম্বীগী মনুংদা লৈবা ফৌরেল লৌফমসিদা লৈবা পাট্টা নং ৭৯ (অরিবা) অমসুং ৫৩১ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ৫৫৮৭, এরিয়া ১.০১ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

HL-P/9033/23 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Kumbi***

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI**

**Ref :- Mut. Case No. 207/SDC/KBI Dated 22/02/2021**

Karam Uttamkumar Singh S/o (L) K. Mani Singh of Saiton Maning Leikai.

-Vrs-

Karam Mani Singh S/o (L) K. Chaoren Singh of Saiton.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kumbi, 22-2-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৫- সাইতোনদা লৈবা পাট্টা নং ৭৭ (অরিবা) অমসুং ৩২২ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ২৫৯৩, এরিয়া ২.০৯ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

HL-P/9033/23 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Kumbi***

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI**

**Ref :- Mut. Case No. 208/SDC/KBI Dated 22/02/2021**

Karam Gunabati Devi W/o Karam Uttamkumar Singh of Saiton Maning Leikai.

-Vrs-

Karam Mani Singh S/o (L) K. Chaoren Singh of Saiton.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kumbi, 22-2-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৫- সাইতোনদা লৈবা পাট্টা নং ২২৮ (অরিবা) অমসুং ২৭৬ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ২৩৪৪, এরিয়া ১.৪৫ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

HL-P/9033/23 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Kumbi***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।